# এম দি য়ুনা ওভর ওল বেষ্ট প্রদক্সন য়াওনা এব্রার্দ ১২ ফঙলকখ্রে অমসুং ক্রিএটিভ আর্ট রিসার্চ সেন্টরগী কলকার- ব্রিদিপ য়াঙলেম



মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ‘ স্বচ ভারত’না ওভর ওল বেষ্ট প্রদক্সন য়াওনা এব্রার্দ ১২ গা লোয়্র্ননা অখন্নবা উপাধি ৩ গসু ফঙলকখ্রে।

ঐখোয়না অকোয়বগী ফিভম লু–নাননা থম্বদা ইশা–ইশাগী তঙাই ফদবা ইথৌদাং লৈ। অমরোমদা অমুক থৌরম কয়া অমা পায়খৎপা তারগসু মীওইবগী পূক্লিংদদি লু–নানবা লৈত্তবা নুপী অঙাংশিংদা হন্থবা মীৎয়েং থম্বা, তুহৎপীবা, য়াইতোং–ফমদোংবা, শক্তি লৈবা ফম্নাইবশিংনা চিন্দদি অফবা শাবা মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা শাবা, অফবা থবক থৌরমশিংগী মরুমদা সমাজ অসিদা অশেংবা নুং পান অনী নত্তবা, অচুম্বা, অশেংবা ,নুং–পান অনী মান্নবা মিসন হায়বদি অকোয়বগী ফিভম লু–নরানবা, ইনভাইরোমেন্ট ফগৎহনবদা নত্তনা ঐখোয়গী পূক্লিং হকচাংসু লু–নানহনবা হায়ব অসিগী পান দমদা পাউজেল পুরিবা দ্রামা নি – এম দি য়ুগী ‘স্বচ ভারত’।

অসিগুম্লবা য়রম্নমক মপুং ফারবা শক্লাইরবা প্লে রাইটর মনি য়ুম্নামনা ইবা দ্রমা অসিবু দব্লিউ বুধিগী হৈশিংলবা লমজিং লমতাক্লা হন্দক উটকাল য়ুব সংকৃটিক সংঘ,কওৈকনা শীন দুনা পাঙথোকখিবা ২৯ শুবা ওল ইন্দিয়া মল্টি লেঙ্গেল দ্রমা কম্পিটিসনদা বেষ্ট প্রদক্সনগা লোয়ননা পূন্না এব্রার্দ ১২ ফঙলকখিবগী হরাও তয়াম্না ওকপগা লোয়ননা এব্রার্দশিং য়েঙ্খোকপগী থৌরম অমা মণিপুর দ্রমাটিক য়ুনিয়ন ( এম দি য়ু) হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ভারত অমদি ভারতকী মপানদগী লাকপা য়াওনা অপূনবা সংস্থান কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা মণিপুর দ্রমাটিক য়ুনিয়ননা লেমজ নিংঙাই ওইরবা এব্রার্দশিং অদু ফঙবা ঙমখিবনি।

মতম শাংনা চহী ৮৩। ৮৪গী শাংলবা খোঙচৎ অমা মায় পাক্লা চৎখিবগা লোয়ননা ঙসিসু চোকথবা লৈত্তপা তুংগী মীরোলগীদমক চোকথবা নায়দনা লেপ্লি। হায়বগী ময়েক লারবা খুদম অমা ওইরি।

দ্রমা অসিদা মরুওইবা শক্তম লাঙখিবশিংদুদি– টি প্রিয়োবত্রা,দব্লিউ বুধি সিংহ, ঐচ দেবেন্দ্র সিংহ, আর কে বিকোমজিট, দিবাকর অহন্থেম, আইলেন্দ হঞ্জবম, ঐচ বিজিয়া, টি ঐচ সালিনি, মঙাললৈমা হিজম, ঐচ রঞ্জিৎতা, নন্দিতা, বিপ্রিয়া তোঞ্জমনি।

অদুগা ক্রিদিফ, ষ্টেজ এন্দ লাইটনা পি ঐচ সারত, মেক–অপনা মঙাললৈমা, কষ্টমনা আর কে বিকোমজিৎ, ম্যুজিকনা আর কে তোম্বীসনা, স্ক্রিপনা মনি য়ুম্নাম অমদি ডাইরেক্টরনা দব্লিউ বুধিনা ওইরি।

Creative art rescarch center গী কলাকার –‘ ব্রিদিপ য়াঙলেম’.... হীরম অমদা নত্রগা অমদা দিসিপ্লিন লৈনা খঙবা কনবা ওজা গুরুদা থজবা থমদুনা হোৎনরবদা মায় পাকপা হৌনশানি।

অশুম্না কলাগী লম অসিদা থোইদোক্লা চিলহাও থবা তৌদনা মখল খুদিংমক্কী প্রফ্রোমিং আর্টশিংদা মশাগী ফিদা কনবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থজবা থমদুনা মাঙলোমদা খেশঙচেল য়াঙনা চঙশিনলিবা য়াম্না নহা ওইরিবা আর্ষ্টিসশিংগী মনুংদা ব্রিদিপ য়াঙলেমসু অমা ওইরি।

অপোকপা মপাবুং,মপা পোকপা মপুবোক, মখুরা–মতোন লোয়ননা পোকমিন্নবা ময়াম্বা শান্না–খোৎনবগী লমদা মীয়াম্না শকখঙনরবা ঙাত্তা ওইরি। অদুবু অঙাংদি নিংথাদগী খঙই হায়নবগুম ব্রিদিপতি ইমুং মনুংগী অপাম্বাশিংদগী খরা তোঙাননা কলাগী লমদনা হেন্না থব্রায় য়াওবা মীশক অমা ওইনা হৌরকখি।

শান্না–খোৎনবদা থব্রায় য়াওবা ঙাক ওইবনা ব্রিদিপকী পামজবা লম অদুদা মাবু লমজিংবীনবা কনা লৈত্তবনা লম অসিদা খোঙদানবগী খুদোং চাবা ফঙদনা লাকখিবা ব্রিদিপকী পাকজবদু খঙবীবা লৈকাইগী ময়াম্বাশিং সাবোইকুমার কৌবা অমনা ওজা ওজিৎকুমার এলাংবমগী ক্রিএটিভ আর্ট রিসার্চ সেন্টর হায়রিবা থিয়েটরগী গ্রুপ অসিদা পূশিনবীরকখিবনা নহা ওইরিবা কলাকার অসিগী মতম কয়াগী মমাঙদগী ফুমদুনা লৈরক্লবা টেলেন্টশিঠ মতিং ফুদোক্লবগী তাঞ্জা অমা ওইখি।






অশুম্না ওজা বিরকুমার এলাংবম অমদি ওজিৎকুমার এলাংবমগী মীৎয়েং মখাদা থিএটরগী লৌশিং গ্যান কয়া ফঙলবা মতুংদা থিএটর গ্রুপ অসিমক্কী আর্ষ্টিস অমা ওইনা মান্নদবা কেরেক্টর রোল কয়াদা শক্তম লাঙবা অমা ওইনা মথং–মথং থিএটর প্লে কয়া শরুক য়াখি। লোয়ননা ৪২ শুবা খা–মণিপুর দ্রমা ফেষ্টিভেল ২০১৮ দা সেকেন্দ বেষ্ট এক্টর এব্রার্দসু ফঙবা ঙমখি।

২০০৭ গী মার্চকী তারিক ৩০ দা চিঙয়া মখা য়াঙলেম লৈকাইদা লৈবা ব্রোজেন য়াঙলেম অমদি য়াঙলেম ওঙবী সুনিতা দেবী অনীগী মচানুপা অনী পোকপগী ইতোন তোনবা ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখিবা ব্রিদিপ য়াঙলেমনা তেনখ্রবা মতম খরা অসিগী মনুংদা এল ইন্দিয়া রেডিওগী এপ্রুভ আর্ষ্টিস অমা ওইবতা নত্তনা মণিপুরী ফিল্মগী লমদসু মায় পাক্লা খোঙদবা হৌরক্লি।

হৌজিক ফাওবদা ‘থম্মোয়গী কিশি’ হায়বা মিং থোনবা ফিল্ম অমদা মরুওইবা সপোর্টিং এক্টর অমা ওইনা শক্তম লাঙখ্রে। লোয়ননা হৌজিক হৌজিক ফিল্ম ২–৩ অমসু অন্দর প্রোসেসতা লৈরি। লোয়ননা আই এস টি ভিগী ভাইরেলগী চৈথেং হায়বা টি ভি সিরিয়েল অমা তিলিকাস তৌননবা শেম শারিবা অশিদা য়াম্না মরুওইবা প্রোতাগোনিষ্ট ওইনা ইনখৎলক্লিবা মতমগী খন্থহৌদবা মীৎকূপ্তা পূন্সিদা পীরকপা চৈথেং ফঙলবা কেরেক্টর রোল অমদা শক্তম লাঙলি।

অসুম্না মনা মানা পামজবা লম অমদা চঙশিন্নবা হোৎনবদা ইমুং মনুংনা থৌনা পীবিবা লোয়ননা ওজা গুরুদা থজবা থম্বা ,কায়দবনা মানা মায় পাক্লা লম অসিদা খোঙদাবা ঙম্বগী অমত্তা ঙাইরবা লাইব্রা ওইনা মথম্মোয়দা চেৎনা থমহৌরি।

## মহৈরোইশিংগী খুদোল





TITLE,: DOLL
Jessica Takhellambam
Class:III
Roll No- 1
School:PROGRSSIVE ENGLISH SCHOOL, LAMDING




TITLE : SCENERY
**Luwanganba Mayengbam**
Class: I
Sec : ,A
Roll No-10
School:UNLVERSAL STUDENT ACADEMY





TITLE,: SCENERY
Chingsubam Lanchenbi Devi
Class: II
Sec :A,
Roll No- 7
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM






TITLE,:SCENERY
**Chungkham Lanchenbi Devi**
Class:II
Sec :A,
Roll No- 9
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





TITLE,:SCENERY
**Devkeshor Sanasam**
Class: II
Sec : A
Roll No- 39
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





TITLE,: TULIPS
**Langlenthoi Khangembam**
Class: II
Sec : A
Roll No- 20
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM






TITLE,: PLANTING TREE
**Nengnunnem Haokip**
Class: II
Sec : A ,
Roll No -24
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





TITLE,: SCENERY
**Ngangom Alina Devi**
Class: IV
Sec : A,
Roll No- 24
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





TITLE,: COCONUT TREE
**Oscar Sorokhaibam**
Class :II
Sec : A,
Roll No- 27
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





TITLE,: SCENERY
**Shilvia Konthoujam**
Class : III
Sec : A
Roll No- 37
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





TITLE,: SCENERY
**Sougrakpam Vickson Singh**
Class: II
Sec : A,
Roll No- 31
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





TITLE : LOKTAK
**Tamnaa Soraisham**
Class: II
Sec : A,
Roll No-33
School:UNACCO SCHOOL, MEITRAM








TITLE,: ROGER
**Lanchenba Asem**
Class: VII,
Sec : B,
Roll No-9
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN



TITLE,:TIGER
**Yaisana Sharma**
Class: VI,
Sec : D,
Roll No-32
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN







TITLE,:GIRL PLAYING VIOLIN
**RK. Tomthinnganbi**
Class: V,
Sec : A,
Roll No-2
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





TITLE,: GERL
**Th. Minerva**
Class: V,
Sec : A,
Roll No-52
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*